# জর্মনিগী লৈপজিগ য়ুনিভর্সিটিদা থা ৬কী ওইবা ফিজিকেল এদ্যুকেশনগী ট্রেনিং কোর্স অমা য়াওজরুবদু খ্বাইদগী লাইবক ফবনি খল্লি: দেবেন





জর্মনিদা চৎচখিবা থা তরুক্কী ত্রেনিং কোর্স অদু থৱায় হকচাং য়াওনা চেকশিন্না হোৎনজবদগী ঐহাক মায় পাক্লগা লাকপা ঙমজখি।

(হান্নগী মখা...)

ইমান্নবা মরুপ-মপাং ময়াম্না কোয়রিবদু ঐহাক য়াওনীংদবা নত্তে। ঐসু মীওইবনি মখোয়গা লোয়ননা চৎনীংই, কোয়নীংই। তৌইগুম্বসুং ঐদি ইনীং তম্বা শুকঙম ঙমখিদে। সেকেন্দ সেমিষ্টরদি শোয়হনবা য়াদে মসিখক্তনি ঐনা চপ য়ুংনা খল্লিবসি। মরক মরক্তগী নিংঙম্লক্তবা, নুংঙাইরক্তবা অদুগুম্বসু শুম য়াওরকই। অসুক ফজবা খুদোংচাবা ময়াম ফংলবসু কোকসি খিক্তং ৱাৎনা লাকপনিনা ঐহাক নুংঙাইতবা হায়বদু ওইরেকো হায়দুনা ৱাখলগসি শোন্থরকখি। ঐহাক্না চেকশিন্না মতমগা অমত্তা মাঙহন্দনা হোৎনজরকখিবদুগী মহয়সু অদুম ফংখি। মতমসু অসুম অসুম হৌখিদুনা ফাইনেল এগজামগী মতম য়োশিল্লকখি। থা ৪/৫ হায়রকপা অদুৱাইদগীদি ঐহাক খঙলমদবা কয়া ফজনা খঙবা ঙমজরকখি।

পুন্সিগী য়াম্না নুংঙাইরকপা মতাংসু থা মঙা হায়রকপদদি ফজনা ফংলকখি। ঐহাক্না য়াম্না কিজরম্বা চাউরবা ঈপাক অমনি হায়না খল্লম্বদু লায়না লানবা ঙম্লগনি হায়দুনা ইশাসি ইয়াঙ য়াঙবা অমা ফাওরকখি। ফাইনেল এগজামদু ঐহাক ফজনা পীজখি। ঐনা হান্না কিজখিবা সাইন্সকী সবজেক্ট অনীদুসু ঐহাক নুংঙাইনা থাজখি। এগজাম নুংঙাইখিবনিনা রিজল্টকী মতাংদসু চিংনবা, থুক্কৎপা, পাখৎপা অমত্তা লৈখিদে। তৌবসু ঐহাক নীংথিনা পাস তৌবা ঙমজরকখি। অদুগা প্রেক্টিকেলদদি ঐহাক্না সেকেন্দ তাজরকখি। সবজেক্ট লোইনমক মার্ক ফজনা ফংদুনা পাস তৌবা ঙম্লকবদুমদি ঐহাক তশেংনা নুংঙাইখি। ঐখোয়গী ফাইনেল এগজাম হায়দোকপা নুমিৎতো ঐহাকসু ইন্দিয়া থোরক্কদবা শুপ্নগী নুমিৎ হুমনিখক্তা ঙাইরম্মী। ঐহাক মায় পাক্না ইরৈবাক ইরমদমদা হনবা ঙম্লগনি খল্লগা পূক্নিংদা চাউথোকচবা অমসু পোকচখি। ফেল ওইবা হায়বদু ঐনসু য়াম্না পামজখিদে। ইশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙবা, মীনা থওই

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

জুদোদা মীৎয়েং অমা

উশিৎলোইদবা থৌওংনি হায়না লুনসু লৌজে। মদু থোক্তনবগীনি ঐহাক্না য়া ক্রক-ক্রক চিক্তুনা চৎনীংবা, লাংনীংবা, কোয়নীংবা অমত্তা য়াওদনা অরোইবা থাদুনা হোৎনজখ্রিবদু। জর্মনিগী ইন্দিয়াদা থোরকপদুমদি ঐহাক নুংঙাইবনা হায়ফম খঙখিদে। মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়রস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েলশিংগী মমাঙদসু ঐহাক ইমায় থাঙ্গৎতুনা চঙবা ঙম্লগনি খল্লগা পংনুংদা নুংঙাইজখি। অদুগা জর্মনিদগী ইন্দিয়াদা হল্লক্লবা মতুংদা ঐহাক নেসনল টিম পায়জগে হায়না খঙ্খি। ঐহাক্না জর্মনিদগী তাঞ্জরুবা ইহৈ ময়ামদু ইন্দিয়াগী মচিন তুমখৎলক্লিবা জুদোকাশিংদা য়াম্না তাকচনীংখি। দেল্লি হেক য়ৌবগা ঐনা চৎচরুরিবা কোর্সতুগী রিপোর্ট পূন্নমক সাইগী ওফিসতা অহানবা ওইনা তৌজরবা মতুংদা অতৈ অতৈ উন্নবা য়াবা ওফিসিয়েলশিংসু লোইনা উনজখি। মথংদা জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরিনচিংবসু উনদুনা ৱারী শানজখি।

লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিমদা কোচিং পীজগে, ত্রেনিং তৌজগে হায়জখি। মতমদুদদি ঐহাক জে এফ আইনসু সেকেন্দ দান ব্লেক বেল্ট পীবদা নত্তনা জর্মনিদগীসু থর্দ দান ব্লেক বেল্টকী এগজাম পীজদুনা পাস তৌবগী সার্টিফিকেটসু পায়রক্লবনি। ৱারী শানজবা অদুদা জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা রেসপোঞ্জ ফংজখিদে। ঐহাক্না জর্মনিদগী লৌজরকখিবা থর্দ দানদুসু ইন্দিয়াদা চৎনবা য়ারোই হায়দুনা ইরায় লায়না হায়বিরকখি। অদুবু ঐ থোইনা নুংঙাইতবা, পেন্দবা, শাউনীংবা অমত্তা লৈখিদে। মরমদি হায়রিবা মতমদু ঐহাক ষ্টেট এসোসিএসন্না খরদং নাথৈদুনা থম্বীবা মতাং অমা ওইখি। ঐহাকসু মখা তানা করিসু হায়রমদনা য়ূমদা হল্লকখি।

অমরোমদা, ষ্টেট এসোসিএসন্না ঐঙোন্দা তাথিবা খরা লৈখ্রিবসি কুমজা ১৯৯৯দা মণিপুরদা তৌখিবা ফিফ নেসনল গেমসতা ঐহাক্না পেন্দবা ৱাহৈৱাতা খরা এসোসিএসনগী অহল-লমনশিংদা থারুবদগীনি। মদুদা দিসিপ্লিন য়াওদে, থকসি-খাসি য়াওদে হায়দুনা ঐহাকসু এসোসিএসন্না চহী তরেৎ-নিপান তান্থোকখি। হায়রিবা মতমশিংদুদনি ঐহাক্না ইন্দিয়ন টিমগী ত্রেনিং পীজরম্বদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ৱাংমদা ত্রেনিং কোর্স খরা চৎচখিবসি। মরক্তুদা ষ্টেট এসোসিএসন্দগী তান্থোক্লবা কোচ অমনি হায়দুনা ঐহাক্না জুদোগী অঙাংশিং অমত্তা ত্রেনিং পীহনবীগনু হায়দুনা চেমথং মথং ইদুনা থারকখি। ঐহাক্না কোচিং পীবা অঙাংশিং, ষ্টেটকী চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা য়ারোই হায়বগা লোয়ননা নেসনল ত্রায়ল সেলেক্সন্দসু থোকপা য়ারোই হায়রকখি। হায়রিবা মতমদুদদি ঐহাক সাইদা কোচিং কন্না পীজরি। ষ্টেট এসোসিএসন্দগী চে কয়া থোরক্লবসু সাইগী মায়কৈদগীদি ঐঙোন্দা অয়েৎ-অপন ওইগদবা ৱারোল অমত্তা পীরকখিবা লৈখিদে। অদুনা সাইকী সেন্টরগী সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সিগী, এস এ জিগী অঙাংশিং ঐহাক লেপ্তুনা ত্রেনিং পীজদুনা লাকচখি। মতমদুদা সাইগী বোক্সিং কোচ সার ইবোমচা (দোর্নাচার্য্য এৱার্দি) না সাই এস এ জিগী সেন্টর ইন চার্জ ওইরে।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯০

১। ঐ কোরিয়া মচানি। জপান্না ঐবু নমদুনা ঐগী ইমিং জপানগী মমিংদা ওন্থোক্লগা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবদা ঐহাক অনীশুবা পোজিসন তাখি। ঐগী ইমীং করি কৌবগে?

২। মহাক মণিপুরগী মন্ত্রি ওইরম্মী। ষ্টেট অসিগী সাইকল লমজেলদা মকোক ওইখি, মহাক লৈখিদ্রে। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৩। ঐখোয় অনীমক কার এক্সিদেন্টতা মীৎ নাম্মা তাংই। মহাক্তি ৱর্ল্ড কপ অমুক ফাওবদা শরুক য়াখিদে, ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী কেপ্তেনদি ওইখি। ঐদি কোলেজ তম্বা ফাওবা ফংলকখিদে। ইংলেন্দনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল লৌখিবা টিম অদুদা ঐসু য়াওখি। মহাক ফুটবোল শান্নরোয় নত্তে। ঐখোয় অনীগী মীং হায়য়ু।

৪। ঐহাক তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দতি থুগাইখি। ঐগী রেকোর্দ হৌজিক ফাওবা থুগাইবা ঙমদ্রি। ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদি অমুক্তা ফংলকখিদে। ঐগী ইমীং হায়য়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫ ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## অহুমশুবা ৱাই দি সী ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক খোইরোম অতাওবুং কৈথেলদা লৈবা য়ুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটি খোইরোম্না শীন দুনা য়াইরিপোক খোইরোম কাংজৈবুংগী শান্নবুংদা থা অসিগী ১৭তা অহুমশুবা ৱাই দি সী ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানীংবা শান্নরোয়শিং অমদি ক্লবশিংনা চীংলৈ প্রিন্টরস খোইরোম অমদি ৱাই দি সীগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থা অসিগী ৫দগী থাবা হৌগনি অদুগা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ১৪দা ওইগনি।

অহুমশুবা ৱাই দি সী ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নরদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫০, রন্নর্স-অপ তাবা টিমদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩০, বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩, বেষ্ট প্লেয়রদা ত্রোফিকা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২, টোপ স্কোররদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২, বেষ্ট দিফেন্দরদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২, বেষ্ট গোলকিপরদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২, মেন ওফ দি ফাইনেলদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং অমদি বেষ্ট ষ্ট্রাইকরদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২ পীগনি হায়না কম্মিটি অসিগী গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## অর্সনেল, লৈকেষ্টর সিটি য়ুঠ টিমশিংনা ইন্দিয়াগী মুম্বাই সিটি এফ সিগী টিমগা ফ্রেন্দলি মেচ শান্নগদৌরি

মুম্বাই, মার্চ ০৪ (এজেন্সী)ঃ

ইংলেণ্ডগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব ওইরিবা অর্সনেল অমসুং লৈকেষ্টর সিটিগী য়ুঠ টিমশিংনা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা মুম্বাই সিটি ফুটবোল ক্লব অমসুং রিলাইন্স ফাওন্দেশন য়ং চেম্পস একাদেমিগী টিমশিংগা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচশিং শান্নগদৌরি।



পনবা য়াবদি, অর্সনেল ফুটবোল ক্লব অসি ইংলেণ্ডগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টাইটল কয়া লৌবদা ঙম্বদা নত্তনা য়ুরোপকী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ক্লবশিংগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটলসু লৌবা ঙমখ্রবা টিমনি। অমরোমদা, মুম্বাইদা লাক্কদৌরিবা ইংলেণ্ড অতোপ্পা টিম অদু লৈকেষ্টর সিটি ফুটবোল ক্লবনি। হায়রিবা ক্লব অসিসু ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা টিম অমনি।

ইংলেণ্ডদগী লাক্কদৌরিবা টিম অনী অসিনা হয়েং অমসুং মার্চ ৬তা নাবি মুম্বাইদা লৈবা রিলাইন্স কোর্পোরেট পার্কতা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা মুম্বাই সিটি এফ সি অমসুং রিলাইন্স ফাওন্দেশন য়ং চেম্পস একাদেমি টিমশিংগা ফ্রেন্দলি মেচ শান্নগদৌরিবনি।

হায়রিবা মেচশিং অসি ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা অহানবা ওইনা ইংলেণ্ডগী প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা মকোক থোংবা ক্লবশিংগী য়ুঠ টিমশিংগা ইন্দিয়ান সুপর লীগ য়ুঠ টিমশিংগা অহানবা ওইনা শান্নবা ফ্রেন্দলি মেচশিং ওইগদৌরি।

ফ্রেন্দলি মেচশিং অসি ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী লম্দা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রেমিয়র ফুটবোল দিভলপমেন্ট ৱীক (চয়োল)গী হৌদোকপদা মীয়ামদা অমদি লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা অচৌবা থৌনা অমা পীনবগী লৌখৎলকপা খোঙথাংনি।

অর্সনেল ফুটবোল ক্লব অমসুং লৈকেষ্টর সিটি ফুটবোল ক্লবকী টিমশিং অদু চহী ১৪ মখাগী শান্নরোয় ঙাক্তা ওইগদৌরি। অমরোমদা মুম্বাই সিটি এফ সি অমসুং রিলাইন্স ফাওন্দেশন য়ং চেম্পস একাদেমিগী টিমশিং অদু চহী ১৫ মখাগী শান্নরোয়শিং ওইগদৌরি।

প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল দিভলপমেন্ট ৱীক অসিগী পান্দমদি নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী মশান্নদা অহেনবা পুরক্লবা অমদি ক্লব অমসুং ক্লব অমগী মরক্তা ত্রেনিং পীনবা, রেফরি দিভলপমেন্ট, ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ক্লবশিং অমদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশনগী কোচ অমসুং ইগজেক্যুটিভশিংগী ওইবা অপূনবা ফোরম শেমদুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংখক্তা নত্তনা ফুটবোল মশান্না অসিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা রেফরি, কোচ অমসুং অতোপ্পা ওফিসিয়েলশিংগী চুংশিন্নবগী থবক থৌরম অমা ওইগদৌরি।

হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ মুম্বাই সিটি এফ সি অমসুং লৈকেষ্টর সিটি শান্নগনি। পুং ৭তা অর্সনেল অমসুং আর এফ ৱাই সি শান্নগনি। থা অসিগী ৬কী অয়ূক পুং ৯দা অর্সনেল অমসুং মুম্বাই সিটি, পুং ১০.১৫দা লৈকেষ্টর সিটি অমসুং আর এফ ৱাই সি, নুংথিল পুং ৫.১৫দা মুম্বাই সিটি, আর এফ ৱাই সি অমসুং পুং ৭ তাবা মতমদা অর্সনেল লৈকেষ্টর সিটি শান্নগনি।

## ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম টি-২০গী ইন্টরনেশনেল মেচশিংদা মরি থংন-থংননা মায়থিবা নংখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ০৪ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা শান্নখিবা টি-২০ মেচ মরি থংন-থংননা মায়থিবা নংখ্রে। ঙসি গুৱাহাটিদা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা ইংলেণ্ডগা শান্নখিবা অহানবা টি-২০ মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম রণ ৪১দা মায়থিবা নংখিবনি। মমাঙ ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অসিনা শান্নখিবা ইন্টরনেশনেল টি-২০ মেচ অহুম মায়থিবা নংখ্রবা মতুং ঙসিসু ইংলেণ্ড টিম অদুগী মখূত্তা মায়থিবা নংখি।



রণ ১৬১ লৌরগা মায় পাক্লনবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অদুদা শান্নবদা রণ ৪১ ৱাৎলগা মেচ অদু মায়থিবা নংখি। ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা রণ ১১৯ খক লৌখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়া মায়থিবা নংখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইংলেণ্ডগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা অপীবা ওভর ২০ অদুদা ৱিকেট ৪ তুরগা রণ ১৬০ লৌখি। মেচ অদুগী টোচ ইন্দিয়াগী কেপ্টেন স্মৃতি বন্ধানানা ঙমদুনা গুৱাহাটিগী ষ্টদিয়ম অদুদা ইংলেণ্ডবু হান্না বেটিং তৌহনখিবনি।

ইংলেণ্ডগী মায়কৈদগী ওপনর ব্যমোন্দ অমসুং দেনিয়েল ৱাইটনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অদুদা রণ ৪৯গী পাস অমা থমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ইন্নিংস লোইরমদাইদা কেপ্টেন ফেদর নাইটনা শুপ্নগী বোল ২০দা রণ ৪০ লৌবা ঙমদুনা টিম অদুগী স্কোর ফজহনখি। অদুগা ওপনর টেমি ব্যমোন্দনা হৌরকপদা শুপ্নগী বোল ৫৭তা রণ ৬২ লৌখিবা অমদি অতোপ্পা ওপনর ৱাইটনা বোল ৩৪ দা রণ ৩৫ লৌখিবা অদুনা য়াম্না চাওনা টিম অদুগী স্কোর অদু ফজহনখি।

ইংলেণ্ডনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪খক তুরগা রণ ১৬০ লৌরমখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ানা মেচ অদু মায় পাক্নবা মখোয়গী ওভর ২০ ইন্নিংস রণ ১৬১ লৌবগী পান্দম লৈখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা অশোয়বা কয়া য়াওখি। টিম অদুগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ৩ স্কোরবোর্দতা শুপ্নগী রণ ২৩ খক লৈরিঙৈদা কেপ্টেন স্মৃতি বন্ধানা য়াওনা আওট ওইখি। মখোয়গী মখা তানা ইন্নিংস অদু পুখৎনবা শান্নবা চঙলকখিবা মিদ্দল ওর্দর বেষ্ট ক্রমেনশিং ইংলেণ্ডগী বোল্লরশিং অদুগী এটেকতা রণ য়াম্না লৌবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম অদুদা য়াম্না মরু ওইবা সেনিয়ার শান্নরোয় অমা ওইরিবী মিথালি রাজ শুপ্নগী রণ ৭খক লৌরমখি। অতোপ্পা বেষ্ট ক্রমেন বেদা কৃষ্ণমুর্তি রণ ১৫দা আওট ওইখি। অতোপ্পা বেষ্ট ক্রমেন অরুনধাতি রেদ্দি রণ ১৮দা আওট ওইখি। অতোপ্পা বেষ্ট ক্রমেন দিপতি শর্ম্মা অমদি শিখা পান্দে আওট ওইদনা মথংশীৎনা মথংশীৎনা রণ ২২ অমসুং ২৩ লৌখ্রবসু মমাঙদা শোয়খিবশিং অদুনা মরম ওইরগা রণ ৪১দা ইন্দিয়াগী টিম ইংলেণ্ডগী মখূত্তা মায়থিহৌবনি।

মেচ অদু ইংলেণ্ডনা ইন্দিয়াবু রণ ৪১ দা থোইরবা মতুং টিম অদুগী কেপ্টেন হেদ নাইটনা মহাক্কী অতোপ্পা শান্নমিরোয়শিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদুনা ইন্নিংসকী অহানবা বেটিং তৌদুনা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু মরিক চুম্না পাউখুম পীবা ঙমদুনা অপূনবা স্কোর ১৬০ য়ৌবা ঙমখিবনি। মদুগী পাউখুমদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটরশিংনা ইংলেণ্ডগী মায়কৈদগী লাকখিবা ওভর ২০গী মনুংদা ৱিকেট ৬ তুরগা রণ ১১৯ খক লৌখিবদগী ঙসিগী মেচ অদু ইংলেণ্ডনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমবু রণ ৪১দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, ইংলেণ্ডগী নুপী ক্রিকেট টিম অসিনা ইন্দিয়াদা লাক্লিবা টুর অসিদা শান্নখিবা লৈবাক অনীগী ৱানদে মেচ সেরিজ ইন্দিয়াগী টিমনা মেচ ২-১ দা থোইদুনা লৌবা ঙমখ্রবনি। ঙসি গুৱাহাটিদা শান্নবা টি-২০ মেচ অদুদা ইন্দিয়া রণ ৪১দা মায়থিবা নংখি।

## শিলোং লাজোং এফ সি আইজোল এফ সিনা থোইখিবদগী আই লীগতগী রেলিগেট তৌখ্রে



মেঘালয়া, মার্চ ০৪ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেচ অমদা শিলোং লাংজোং এফ সি হান্না টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা চেম্পিয়ন ওইরম্লবা আইজোল এফ সিগী মখূত্তা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থিবা নংদুনা লীগ অসিদগী রেলিগেট তৌখ্রে।

আইজোল এফ সিগী মায়কৈদগী শিলোং লাজোংনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ক্রোমানা পাঞ্জল ২ চনখিবা অদুনা চাওনা মতেং পীদুনা মেচ অদু শিলোং লাজোংবু আইজোল এফ সিনা পাঞ্জল ৪-১দা থোইখি। আইজোল এফ সিদা শরুক য়ারিবা লাইবেরিয়াগী শান্নরোয় অন্সুমানা ক্রোমানা শান্নবগী ৪০ শুবা মিনিটঅমসুং ৮৩ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ২ চন্দুনা আইজোল এফ সিগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি।

অমরোমদা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় মাপুৱা অমসুং ইসাকনা শান্নবগী ৮১ শুবা অমদি ৮৯শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমমম চৎলগা আইজোল এফ সিগী পাঞ্জল ৪ অদু শুহনখি। অমরোমদা শিলোং লাজোংগী মায়কৈদগী দোনবোকলাং লিমদোনা শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমদা টিম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনখি।


আইজোল এফ সি ফুটবোল ক্লবনা শিলোং লাজোংবু ৪-১দা মায়থিবা পীখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেচ ১৯ শান্নখিবদা পোইন্ট ২১ ফংদুনা নিপাল শুবা পোজিশন্দা লৈখিবদগী হান্না চেম্পিয়ন ওইরম্লবা ক্লব অসি থাক হাইগৎপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, শিলোং লাজোং ১৯ শুবা গেম অদুদা মায়থিবা নংদুনা পূন্না ক্লব ১১না শরুক য়ারিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী রাওন্দ ১৯ শুবা লোইশিনখিবা ফাওবদা শুপ্নতগী পোইন্ট ১১ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা মমৈদা লৈদুনা লীগ অসিদগী রেলিগেট তৌখিবনি। মখোয়গী মরক্তগী গোকুলম কেরলাগী টিম মেচ ১৯ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১৭ ফংলগা ১০শুবা পোজিশন্দা লৈরি।

## ২০২২ এসিয়ান গেম্সতা ক্রিকেট মশান্না য়াওগদৌরিবা অসিদা বি সি সি আইগী ৱারেপ লোইশিন্দ্রি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৪ (এজেন্সী)ঃ

চাইনাগী সিটি হাংঝৌদা কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেম্সতা ক্রিকেট মশান্না অসি মেদল দিসিপ্লিন অমা ওইনা শরুক য়াগনি হায়না ওলিম্পিক কাওন্সিল ওফ এসিয়া (ও সি ঈ)গী জেনরেল এসেমব্লিনা ঙরাং থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা জেনরেল এসেমব্লি মীফমদা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা বি সি সি আই (বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া)গী মায়কৈদগী লৈবাক অসিনা গেম্স অদুদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপী ক্রিকেট টিম থাগদ্রা নৎত্রগা থারোইদ্রা হায়বগী অরোইবা ৱারেপ লৌদ্রি।



চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা এসিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা এসিয়ান গেম্সতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কুমজা ২০১৪দা ইনচিওন সিটিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেম্সতা বি সি সি আইনা লৈবাক অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী ক্রিকেট টিম থাখিদবনি।

মদুগী মতুং কুমজা ২০১৮দা ইন্দো-নেসিয়ানা য়ূম্ফ ওইরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেম্সতা ক্রিকেট মশান্না অসি মেদল দিসিপ্লিন ওইবদগী ককথৎখি। ওলিম্পিক কাওন্সিল ওফ এসিয়াগী ওনরেরি ভাইস প্রেসিদেন্ট রন্ধিস সিংহনা ঙসি বেঙ্কোক্কী জেনরেল এসেমব্লি অদুদা শরুক য়ারুরগা হল্লক্লবা মতুং ফোঙদোক-খিবদা বি সি সি আইগী মায়কৈদগী হাংঝৌ এসিয়ান গেম্স ২০২২ দা নৌহৌননা ক্রিকেট মশান্না অসি মেদল দিসিপ্লিন অমা ওইনা য়াওরগনি হায়না কাওন্সিল অদুনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং বি সি সি আইগী মায়কৈদগী অরোইবা ৱারেপ অমা ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়খি।

ক্রিকেট মশান্না অসি মালেমগী ওইনা য়াম্না মমিং লৈবা মশান্নবা ওইরবসু ওলিম্পিক গেম্সতা মেদল দিসিপ্লিন ওইনা য়াওদ্রি। লোয়ননা এসিয়ান গেম্সতসু য়াওরমদবদগী মশান্না অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী য়াওহল্লকখ্রবা মতুং মালেমগী ওইনা মশান্না অসিদা খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা ইন্দিয়াগী টিম থাখিদবা অদুনা গেম্স অনীরক মশান্না অসি য়াওহনখিদবনি।

23 LASHAL SPORTS MEET- 2019

LATE N. CHANDRESHWOR MEMORIAL SEVEN MEN A SIDE STATE LEVEL OPEN FOOTBALL TOURNAMENT.

ORGANISED BY:- LEIMAPOKPAM KHUNPHAM APUNBA SANAROI LUP (LASHAL)

Regd. NO. 173 OF 2012, Estd. 1987

To be held at :- "LASHAL GROUND"

COMMENCEMENT OF TOURNAMENT 16th MARCH, 2019

PRIZES

WINNER- Rs. 70,000 /- WITH TROPHY (SEVENTY THOUSAND)

RUNNER- Rs. 50,000 /- WITH TROPHY (FIFTY THOUSAND)

BEST DISCIPLINE TEAM- Rs. 5000 /- WITH TROPHY (FIVE THOUSAND)

BEST PLAYER, BEST DEFENDER ,BEST SCORER , BEST MID-FIELDER, BEST GOAL KEEPER OF THE TOURNAMENT- Rs. 2000 /- WITH TROPHY (TWO THOUSAND) EACH.

| | |
|---|---|
| LAST DATE OF FORM SUBMISSION-12/03/2019<br>MANAGER MEETING 14/03/2019 AT 3.00PM | ADMISSION FEE : Rs 3000 /- |

Contact No. 8794240210/9862760097/9612103870

Facebook: lashal leimapokpam khunpham

sd/- O. Mani Singh

General secretary, LASHAL.

HL-P/5996/5,6,7